## মোরেদা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(ঐচএনএস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী মোরে বট্টালিয়ননা ঙসি মোরেগী ঐচ মোংজাং ভিলেজদা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কেম্প অসিদা চীফ মেদিকেল ওফিসরনা লুচিংবা বট্টালিয়ন অসিগী মেদিকেল টিমনা অপূনবা মীওই ১১৯বু লায়েংখিবগা লোয়ননা হীদাক লাংথকশিং লেম্না পীখি হায়রি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা নুপা ২৩, নুপী ৪৪ অমসুং অঙাং ৫২নি হায়রি।

## কানি কিলো ৪.৩৪৪ ...

*লামায় ১গী মখা...*অপোকপা পি কামিনি কৌই। চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থিঙ্গাংফাই খুলদগীনি হায়রি।

মহাক্না কানিশিং অদু শঙ্গোম (এভ্রিদে অমসুং টি স্পেসল) থাবা পেকেট মরিদা হাপ্লগা পুরকখিবনি। পেকেট অমমমদা মথংশিংনা কানি গ্রাম ৮৭৩, ১০১৩, ১৪০৯ (অনী) থোক্লা য়োল্লগা পুরকখিবনি হায়রি।

মহাকপু মঙোন্দগী ফাগৎখিবা কানিশিং অসিগা কোন্ননা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী মখাদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক কম্বাইন্দ টিমনা ফৌগাকচাও ইখাই পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.১৫°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৪.৬২°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪০

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 81.335920 |
| US Dollar | 82.475804 |
| British Pound | 93.269578 |
| Australian Dollar | 52.184058 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.430309 |
| Japanese Yen | 0.558423 |
| Malaysian Ringgit | 17.403977 |
| Singapore Dollar | 58.276193 |
| South Korean Won | 0.057725 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.993548 |
| Thai Baht | 2.170713 |

**GAS NEWS**

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-20-10-22,**
VALID FROM 16-10-2022,
**STOCK : 918**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS) CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 09-10-22
**B/upto - 13-10-22**
**Stock-612**
7am to 10am

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 03/10/2022
**BOOKING UPTO: 07/10/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
For homedelivery:-
Area:
1.Keishampat
2.Khagempalli
3.Kwakeithel
4.Tiddim and Mayai lambi road.
5. Wangkhei
6. Singjamei
7. New Checkon, Palace Compound, Hatta
8. Samurou
9. Langol and National Game Village.
10. Kshetrigao, Naharup and Irilbung.
Please contact through Calls/ SMS/Whatsapp- 9863576002
Timing: 9:00 am to 12:00 pm

**TDK GAS**
**BK. UPTO 31/08/22.**
VF.29/08/22.
**STK.306.**
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 8731992324.
TIMING 9:00 AM. TO 3:00 PM.

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM..

# কৈশামথোং অমসুং য়াইস্কুল ফাওনবা লম্বীনা মীয়ামদা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লহল্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস): মীয়াম্না লময়ানবা ইরাবত লম্বী হায়রগসু খঙনবা হৌরক্লবা ইম্ফাল-ময়াংইম্ফাল লম্বী (ময়ায় লম্বী) দগীনা ময়ায় লম্বীগী শরুক্তা য়াওরিবা কৈশামথোংদগীনা নেসনল হায়ৱে নম্বর ১০২ (ইম্ফাল মোরে) লম্বী সেক্সনসু তাবা য়ারিবা য়াইস্কুল ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লম্বী মতেক অসি পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি) না শেমজিনখ্রবসু চহী অনী ফাদ্রিঙৈদা থারম্বা কোয়লাস অয়াম্বা ফক্কাইখিবদগী অকায়বা মফমশিংদা নূঙ খরা খরা মেল্লগা শীজিন্নরকপনা লম্বী মতেক অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা উফুল য়াওনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে।



ৱাফম অসি লম্বী মতেক অসিদা তঙাইফদনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়াম অমসুং লম্বী মতেক অসিগী নাকল অনীমক্তা লৈরিবা য়ুম, দুকান, হোটেল অমদি লৈঙাক্কী ওফিসশিংদা থবক তৌরিবশিং য়াওনা মীয়াম্না ফোঙদোক্লরকপা ৱাফমনি।

লম্বী মতেক অসি তেল্লবসু ষ্টেট হায়ৱে ওইরিবা ময়ায় লম্বী অমসুং নেসনল হায়ৱে ওইরিবা ইম্ফাল মোরে লম্বী অনীগী মরক্তা লৈবা ফাওন লম্বীশিংগী মনুংদা মরু ওইবা অমা ওইরিবনা অয়াম্বা মতমদা মীনা কুক-কুক ইন্নদুনা চৎপা লম্বীনি। হৌজিক ওইরিবা লম্বী অসিগী ফীভমনা নোং চুরক্লগনা লম্বীসিদা লৈরিবা অকুৎপা মফমশিংদা ঈশিং তুংলগা লৈবা অদুগা নুংশা লেপ্তুনা শারক্লগনা মখল কয়াগী গাড়ীশিং লেপ্তুনা চৎথোক চৎশিন তৌবদগী উফুল ঙাক্তা ঙাইবগী ফীভমনি।

মরম অসিনা লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিং য়াওনা মসিগী নাক য়েৎতা তারিবা মীয়াম্না অথুবা মতমদা লম্বী অসি কোয়লাস থাজিনবীদুনা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহনবীয়ু হায়নরক্লি।

মতম খরগী মমাঙদা লম্বী অসিগী ফীভম য়াম্না ফত্তনা লৈরম্বদগী মমাঙ চহীদা লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা অরানবা মওংদা এনক্রোচ তৌশিল্লম্বা মীওইশিং তকথোক্লগা নীংথিজনা মশাগী পাকথোকফম থোকপা অপাকপগী চাং য়ৌনা পাকথোকহল্লগা শেম্বা হৌরকখ্রবনি অদুবু শেমখ্রিবা লম্বী খুৎশেম অদু মথৌ তাবা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদবদগী য়ামদ্রবদা চহী মঙা ফাওবা চৎকদবা অদু চহী অনী ফানা চৎখিদবনি।

হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়ৌরক্ত্রিঙৈদা কোয়লাস মরক্তা পোট হোল কয়া লৈরকপদগী মতম চানা মসিবু মেনশিন্নবগী থবক পায়খৎপীখিদবা অমসুং রিপ্যারিং/ইমপ্রুভমেন্টগী ওইবা থবক অমত্তা লৌখৎখিদবদগী ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি হায়রি।

মরম অসিনা লম্বী অসিগা হকথেংনরিবা মীয়াম পুম্নমক্না লম্বী মতেক অসিবু শেম্বগী থবক তৌগদৌরিবা মরী লৈনবা কন্ট্রেক্টরশিংনসু ইশাগী শেন্দোং খক্কীদমক খল্লগা থবক তৌবীগনু। লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামগীদমক খনবীরগা তঙাইফদনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌবীদুনা লম্বী শেম্বগী থবক চথবীয়ু। মরী লৈনবা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনসু মতম চানা মোনিটর তৌবীদুনা অমুক শেম্বদা চৎফম থোকপা চহী মশীং শুনা চৎহন্নবা থবক পায়খৎহন্নীংবগী অপাম্বসু ফোঙদোক্লরক্লি।

## অনৌবা পোজিটিভ কেস ২ থেংনখি...

*লামায় ১গী মখা...* ১/১ পোজিটিভ ওইরমখিবনি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা সেম্পল ৩২ টেষ্ট তৌখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লরকপদগী টেষ্ট তৌখিবা অপূনবা সেম্পলশিংগী মশীং ১৬,৫৯,৩৮৭ শুখ্রে। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা টেষ্ট তৌখিবা সেম্পলশিংগী মশীংনা বিষ্ণুপুর ৮৬,২৪৫, চান্দেল ৩৭,৮১৬, চুড়াচান্দপুর ১,৩৮,৮৫৯, ইম্ফাল ইষ্ট ২,৮৮,২৮০, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৫,১৬,৮৭২, জিরিবাম ৪৮,২৭৮, ককচীং ৬৭,৭১০, কামজোং ১৫,৬৬৮, কাংপোকপী ৪৬,৫৪১, নোনে ১৯,৪৩০, ফেরজোল ৮,৩৪৩, সেনাপতি ৮৪,১১০, তমেংলোং ৫৬,৫৭৯, তেংনৌপল ১৮,৩০২, থৌবাল ১,৩৬,০৩৪, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকীনা ৯০,৩২০নি হায়রি।

অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা সেম্পল মশীং খ্বাইদগী য়াম্না টেষ্ট তৌখিবনা ইম্ফাল ৱেষ্টনি অদুগা অনীশুবা খ্বাইদগী য়াম্না টেষ্ট তৌখিবা দিষ্ট্রিক্টনা ইম্ফাল ইষ্টনি। লোয়ননা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা খ্বাইদগী য়াম্না টেষ্ট তৌখিবা সেম্পল মশীংগী ওইনা থৌবালনা ৩শুবদা লৈরগা চুড়াচান্দপুরনা ৪শুবদা লৈরি। অদুগা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস অনী থেংনখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা পূন্না থেংনবা কেস মশীং ১,৩৯,৮৬৭শুরে। মসিগী মনুংদা বিষ্ণুপুর ৯,৯৮৩, চান্দেল ২,৭৯৬, চুড়াচান্দপুর ১১,২৯০, ইম্ফাল ইষ্ট ৩৯,০৫১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৪৯,৮৩৩, জিরিবাম ১,১১৮, ককচীং ৬,৯৭৯, কামজোং ১,০৫৭, কাংপোকপী ৩,১৮৮, নোনে ১,১৭৩, ফেরজোল ৪৭৭, সেনাপতি ২,৫৪৭, তমেংলোং ৩,৪৯৭, তেংনৌপল ১,২১৪, থৌবাল ১০,২৯৬ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকীনা ৩,৩৬৮নি।

হৌজিক ফাওবদা থেংনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না থেংনবনা ইম্ফাল ৱেষ্টনা ওইরগা অনীশুবদনা ইম্ফাল ইষ্টনা ওইরি। লোয়ননা পোজিটিভ কেস মশীং খ্বাইদগী য়ামদনা থেংনবা দিষ্ট্রিক্টনা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতা কেস ৪৭৭ খক্তমক থেংনখিবনা ওইরি।

অমরোমদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওই ২১৪৯গী মনুংদা বিষ্ণুপুরদা ২০৬, চান্দেল ৪৩, চুড়াচান্দপুর ১৬৯, ইম্ফাল ইষ্ট ৫৯৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৭১২, জিরিবাম ৭, ককচীং ১২৪, কামজোং ৫, কাংপোকপী ৭০, নোনে ৫, সেনাপতি ১৩, তমেংলোং ১৭, তেংনৌপল ১৭, থৌবাল ১৯২, উখ্রুলদগী ৫২নি।

খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শিখিবা অহানবা অমসুং অনীশুবা দিষ্ট্রিক্টনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্টনা ওইরগা হৌজিক ফাওবদা শুপ্নতগী পোজিটিভ কেস ৪৭৭ খক্তমক থেংনখিবা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙখিদ্রি।

## কোলকটাদা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী...

*লামায় ১গী মখা...* প্রোগ্রামশিং, হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্টসকী পোথোকশিং, টগ ওফ ৱার, অরাম্বাই শো, মুক্না কম্পিটিসন, য়ুবী লাকপী, শগোল লমজেল, নুপাগী ইন্টরনসেনল পোলো টুর্নামেন্ট য়াওনা চীফ মিনিষ্টরগী শগোল কাংজে টুর্নামেন্টনচিংবসু পাঙথোকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ফিল্মশিং উৎপগী থৌরমসু য়াওগদৌরি।

মরু ওইবা মণিপুরবু মশক তাক্কদবা তোপ তোপ্পা শক্তমশিংগী মনুংদা শগোল কাংজে, সিরুই লিলি, লোক্তাক পাৎ অমসুং মসিগী অতাওবা ফুম, চাকহাও অমসুং অমুবা নূঙবীগী পোৎলমশিং য়াওগদৌরি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা অখন্ননা মালেমগী মফম অমত্তদা ফংদবা সঙাইবু ফেষ্টিবেল য়েংবা লাকপা মীওইশিংদা উহনবগী থৌরমসু য়াওগদৌরি।

অদুগা মণিপুরগী হেন্দলুমগী পোথোকশিংগী মনুংদা জি আই টেগ ফংলবা ৱাংখৈ ফি, শাফি লানফি অমসুং মোইরাং ফিনচিংবসু মীয়ামদা উহনগদৌরি।

## য়ু লিগেলাইজেসন তৌরকপা ...

*লামায় ১গী মখা...* ইমানা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা মান্তক খুলগী মমা ওইবীশিংনসু শৌগৎকনি হায়খি।

খুল অসিগী নুপী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা ৱার ওন দ্রগস চখৎরগা য়ু লিগেলাইজ তৌবা চুম্ব্রা, লিগেলাইজ তৌবা য়ু থক্লবদি ক্রাইম থোক্লরোইদব্রা, মীয়ামগী পুন্সিদগী রেভন্যুনা লুব্রা, হায়জিনিক ওইবা য়ু হায়বসি করিনো হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং ইবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, নুপী সমাজগী জেনরেল সেক্রেটরি টি সোবিতা অমদি মান্তক খুলগী চীফ কে চৈরাওজাও কোমনা য়ু লিগেলাইজ তৌবনা মীয়ামদা পীরক্কদবা চৈথেং কয়াগী মতাংদা শুগাইনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লৈঙাক্কী য়ু লিগেলাইজ তৌবগী খোঙফম হন্দোকহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না শরুক য়ামিন্নরসি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মমাঙ থাগী ২০দা লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফমনা য়ু শুংবা অমসুং য়োনবগী লৈরম্বা অথিংবশিং লৌথোক্লবগী লৌখিবা ৱারেপ অদু হন্দোকউ হায়দুনা চঙশিল্লক্লিবা কাদা অমসুং নুপী সমাজগা খুৎশম্নদুনা ঙসি নোংচুপ কামেংদসু মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

ৱাকৎ মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না লৈঙাক্না লৌখিবা ৱারেপকী মায়োক্তা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ হন্দোকউ হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

**/ লান্ন-থৌরম**



মালেম তাইবং লৈকোন্দা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবিরম্বা ঐগী ইচানুপা **য়াইখোম জোনি (মোম্বা) মীতে**-না পুন্সি চেংজেল লোইরদুনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লল্লগা, হৌখিবা চৈচৎ ২১/১০/২০২২ কুমজা, মেরাগী ২৬নি পানবা য়াইফরবা কোরৌ ইরাই নুমিত্তা মপুগী লৈকোলনুংদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

লাক্লিবা চৈচৎ ২৫/১০/২০২২ কুমজা, মেরাগী ৩০নি পানবা থাশু য়াইফরবা কোরৌ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মঙানি লৈহুন তমজরগা, চৈচৎ ৩১/১০/২০২২ কুমজা, হিয়াঙ্গৈগী ৭নি পানবা য়াইফরবা কোরৌ নিংথৌকাবা নুমিত্তা লান্ন-থৌরম নুমিৎ থোক্লে। নুমিৎ অসিদা তেঙবানবা মপুগী কোলোয় মীংলেনগা লোয়ননা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং কচ্চগদৌরি।

থৌরম অসিদা অহল-লমন, ইমা-ইবেল অমদি শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাংশিংনা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা মপুগী মীংখৈ তাবীরনবা অমদি লুক্লেন ফংবীরনবা পাউচেগী থোঙদা লৈরাং-লৈহুৎ শিন্না পাউজেঞ্জরি।

পাউচেগী থোঙদা লৈরাং-লৈহুৎ শিন্না পাউজেঞ্জবগী লংজবা খিবিক ঙাকপীগনি।


**অয়ূক্কী পুংজা ৯.০০ - মপুগী মীংখৈ শক শোনবা,**
**অয়ূক্কী পুংজা ১০.৩০ - লুক্লেন কৎপা,**
**অয়ূক্কী পুংজা ১১.০০ - লুক্লেন ফংবা**

**নোল্লুকচরিবশিং ঃ-**
**য়াইখোম একাসিনী লৈমা (মমা)**
**য়াইখোম ওংবী মেনো লৈমা (লোয়নবী)**

**নাওরেমথোং ৱাংমা, তেরা লৌক্রাকপম লৈকাই, টি: আই: রোদ।**

HL-P/4613/24

**/নপ মহি তাবা, মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবা ৱাবা, নাহি তোয়না তাবা, অঙৈংবা অমদি হৈ চাবা য়াদবা, লোক তোয়না থুংবা, হকথি তোয়না খনবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা সাইনস য়াম্না কন্না নাদুনা নপ মহি তাবা, নাহি তোয়না তাবা, অঙৈংবা অমদি হৈ চাবা য়াদবা, হকথি তোয়না খনবা, কোক তোয়না চিকপা অমদি নুংশা মঙালদা থোকপা য়াদবা, কোক লুম-লুম লাউরগা লৈবা, নাতোন অনীমক ফুনবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবা ৱাবা, য়ারোমদসু হোনবা, নাতোন মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, লোক তোয়না থুংবা, উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, হৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা, চারগনা সাইনস নাবা হেনবা, ঙকশম মরী নাবা, মীৎ মরী অসিসু চিকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **L. Herojit Singh**
Keishamthong

HL-B/7842/24

**/ ORIGINAL REGISTRATION CERTIFICATE LOST**

I have lost my Original Registration Certificate bearing Registration no. 080210436 of 2008 issued by Manipur University on the way between Keishampat to Sangaiprou on 12th October, 2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Sialloa Sumliangak Aimol**
Sangaiprou

HL-P/4612/24

**/ অথুবগী য়োঙ্গরি**

ইম্ফাল ইষ্টকী সোইবম লৈকাইদা লৈবা ০.০৭ একরগী ইঙ্খোল অমগা কোন্ননা excellent conditions দা 14 room গী স্পেস য়াওরবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিনা এপ্রুভ তৌরবা G+1 গী বিল্ডিং অমা অথুবগী ওইনা য়োঙ্গরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

**NO BROKER PLEASE.**

**# 8837331876 / 9089622911 / 7005759268**

HL-P/4184/16,18,20,22,24

**/ দশা য়েংজরি**



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-P/4169/16/9-15/11

## মরিশুবা রিজনেল য়ুথ কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) : কাঞ্চিপুরদা লৈবা কেথলিক স্কুলদা 'খৃষ্ট ইজ এলিভ এন্দ হি ৱান্টস য়ু টু বি এলিভ' হায়বা থিমদা মরিশুবা রিজনেল য়ুথ কনভেন্সন অমা হৌদোকখ্রে।

কনভেন্সন অসি ইন্দিয়ন কেথলিক য়ুথ মুভমেন্ট নোর্থ ইষ্ট (আই সী ৱাই এম এন ঈ) না নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল য়ুথ কম্মিসন (এন ঈ আর ৱাই সী) গী বেন্নর মখাদা মণিপুর কেথলিক য়ুথ ওর্গনাইজেসনন শীনবনি।

নুমিৎ মঙানি চথুগদবা কনভেন্সন অসিদা উখ্রুলগী এম এল এ রাম মুইভানা শরুক য়ারদুনা নহারোলশিংনা মখোয়গী লৈজরিবা মথৌনাশিং অচুম্বা লম্বীদা পুথোক্তুনা শীজিন্নগদবনি। মসিনা মখোয়বু অচুম্বা মায়কৈদা লমজিংবা ঙমহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা খৃষ্টেনিটি হায়রিবা লাইনীং লোনচৎ অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা হিন্দু ফুরুপকুম্না ইন্দিজিনস ওইবা লাইনীং লম্বেল অমা ওইবদা নত্তনা লাইনীংলোল অসিগীদমক খৃষ্টিয়ান পুম্নমক্না চাওথোকচবা পোক্কদবনি হায়খি।

নহারোলশিংগী পাৱরগী মতাংদা পল্লদুনা অদুঙৈ কুমজা ১৯৭০দা ইরানগী নহারোলশিংনা লৈবাক অদুগী লুচিংবশিংবু মফম লৌথোকখিবা অমসুং ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু) না কুমজা ১৯৭৯গী অদুৱাইদা ফোরেন্নরশিংগী মায়োক্তা হৌরকখিবা ঈহৌদা মায় পাকখিবগী থৌদোকশিং নৌহৌননা নীংশিংখি।

লোয়ননা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা পোলিটিক্সতসু খোঙদাবগা লোয়ননা কেথলিক কম্যুনিতিদগী লৈরক্লিবা ওন্ত্রপ্রেন্যুওরশিং অমসুং ইন দষ্ট্রিএলিষ্টশিংসু শকখঙগদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা ত্রাইবেল এফ্যেরস এন্দ হিলসকী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি লেটখোগিন হাওকিপনসু কনভেন্সন অসিগী থিমগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং শরুক য়াখিবা নহারোলশিংগী মফমদা শুগাইনা পাউদমখি।

## অরুনাচল প্রদেশতা কায়খিবা হেলিকোপ্টর...

*লামায় ১গী মখা...* রিলিজ অদুগা মরী লৈননা য়ু জি গ্রুপ অনীদুগী মায়কৈদগীদি মখোয়গী ওইবা ৱাফমশিং অমত্তা ফংবা ঙমখিদে।

অদুম ওইনমক ভাইরেল ওইরক্লিবা ৱাফমশিং অদুবু ফোঙদোরকখিবা অকক্লবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন অমগী প্রেস রিলিজ ওইরম্বদগী পাউচে অসিনা থা অসিগী ১৪দা থোরকখিবা য়ু জি গ্রুপ অদুগী প্রেস রিলিজ অমা হঙ্গৎনা চ্যেক তৌরুবদা থা অসিগী ১৪দা থোরকখিবা গ্রুপ অসিগী প্রেস রিলিজ অদুগী নম্বরনা ২২০০১১ ওইরগা ঙসি নুমিদাংদগী ভাইরেল ওইরকখিবা অমসুং থা অসিগী ২১দা হায়বদি মমাঙগী পি আর অদু থোকখ্রবা মতুং নুমিৎ ৭নি শুবদা থোকপনি হায়রিবা প্রেস রিলিজ অদুগী পি আর নম্বরনা ২১০০৭ ওইরমখি। মরম অসিনা ভাইরেল ওইরক্লিবা পোষ্ট অদুমক অচুম্বা য়ু জি গ্রুপ অনীমক্কী মায়কৈদগী থোরকপা ৱাফম ওইরম্লোই হায়বগী চিংনবা লৈখি।

পনবা য়াবদি, অরুনাচল প্রদেশকী মিগ্গিং ভিলেজ মনাক্তা থোকখিবা হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক অদুদা মদুদা তোংলকখিবা ইন্দিয়ন আর্মিগী ওফিসর য়াওনা পূন্না পর্সনেল ৫ লৈখিদবনি। মখোয় ৫মক্কী হকচাংশিংসু রিকোভর তৌবা ঙমখ্রবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফাওবা মহাক্কী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি। অদুগা চৎলিবা থা অসিগী ৫দসু অরুনাচল প্রদেশকী তৱাং দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা ইন্দিয়ন আর্মিগী হেলিকোপ্টর (চিটা) অমা তৱাং দিষ্ট্রিক্টকী বি টি কে ৱাটর ফোল মনাক্তা কায়বগী থৌদোক থোকখি। থৌদোক অদুদা হেলিকোপ্টর অদুবু থৌরকখিবা পাইলোট লেফটিনেন্ট কর্নেল সৌরাভ অরুবা ফীভমদা শোকপদগী লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদবনি।

## মৈতৈনা মচেৎ তাদুনা শোন্থখ্রবদি ...

*লামায় ১গী মখা...* মরম অদুনা ঐখোয়না কৃপ্না খঙমিন্নবগা লোয়ননা লমদম অসি মপু পানবা ওইহল্লসি। খেন্নবা লৈতবা অমা ওইনা হিংমিন্ননবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

লোয়ননা মৈহৌরোলদগী লৈমিন্নরক্লবা ফুরুপ খুদিংমক ঐখোয়না তাশিন খোমজিনগদবনি। মৈতৈনা মচেৎ মচেৎ তাদুনা শোন্থখিবা মতমদা ইরমদম মণিপুর অসিসু মচেৎ মচেৎ কায়খিগনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা উমং লাই হরাওবগী মতাংদা নৈনবা মেরা মীফম অসি উমং লাই হরাওবা খক্কী নত্তনা মৈতৈ ফুরুপকী তুংগী লিক্লমগীসু নৈনবা চঙই। মৈতৈগী মরক্তা খেন্নবা থম্বীগনু। উমং লাই হরাওবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংগা তান্নদুনা চপ চাবা লিক্লম কায়দবা অমা পুথোক্কদবনি। লাই হরাওবদা চৎনগদবা কাঙলোনশিং লেপথোক্লসি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অমাইবা অমাইবীশিং য়াওনা লাই হরাওবদা থৌদাং পুরিবা শিনফমশিংগী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙ স্কিমনা পীরিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌবীদুনা থা থাগী পীরিবা পেন্সন ফংননবা হোৎনবীয়ু। মীফম অসিনসু লৈঙাক অসিদা ইনোৎ পীবা ওইনা থোকপনা পুম্নমক্না হোৎনমিন্নদুনা চীং তম অমত্তা ওইবা সনা লৈবাক ওইহল্লসি হায়খি।

থৌরম অসিদা ময়ায় তাংবল লৌখিবা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখিবদা ইশাগী ফুরুপ কন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপশিংসু নুংশিনা লোয়নমিন্নসি। মরু ওইবরদি মীতৈ ফুরুপ কনবনি। ফুরুপ কনবা, লৈবাক কনবা, ইনাৎ কনবা হায়বসি মরু ওইবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদা সী এ এফ অমসুং পি দিগী মিনিষ্টর এল সুসিন্দ্রো মৈতৈ, আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী কম্মিস্নর এম জয়, লাইলূপকী চ্যেরমেন প্রোফেসর এন জি কাংজিয়া মঙাং অমসুং উমংলাই কনবা লূপকী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না কৌব্রু অমসুং থাংজিং চীংবু 'সিক্রেট সাইট' নি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখিববু ইকায়খুম্নবা উৎলদুনা উকলগী মায়কৈদগী শকখঙ চে খুদোল তমখি। অদুগা অমাইবা অমাইবী অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদা মাষ্টরকী থাক্তা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংদসু পূক্নিং থৌগৎপগী খুদোলশিং তমখি।

থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা অনীশুবা শরুক্তা লাইলূপকী চ্যেরমেন প্রোফেসর এন জি কাংজিয়া মঙাংনা ৱাতেমলোই ওইখি।

পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা মীফমদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী কষ্টম সেক্রেটরি টি ঐচ ইবুংঙোহল, উকলগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ নবচন্দ্র, মণিপুর পন্দিট লোয়শঙগী পন্দিট অতোনবা নামৈরাকপম গোজেন্দ্রো অমসুং লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট সেঞ্জম বিদ্যাপতিসু ৱাঙাঙলোই ওইনা শরুক য়াখি।

## বাংলাদেশতগী লাকপা মীওইদা অশাবা আধার

*লামায় ১গী মখা...* সেন্টর অমসু হাংদোক্তুনা লৈরকপনি হায়রি।

মহাকপু ফাগৎপগী মতাংদা ঙসি লিলোং পি এসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দি আই জি রেঞ্জ-২ ৱোরঙম নিংসেননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা থা অসিগী ১৯দা লোগী ৱাংমদা লোন্না লৈরম্বদগী ফাগৎখিবা বাংলাদেশকী চপাইনৱাগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টকী সিবগঞ্জ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পিয়ালিমারিদগী মোহম্মদ রামজান আলি (৩৫) অপোকপা এম দি জলালউদ্দিন হায়রিবা মীওই অসি ফাগৎখিবা মতমদা মহাক্না পায়রম্বা শেমজিন শাজিনবা আধার কার্দ অদু ঙসি ফাগৎলিবা মীওই অসিনা শারগা পীরম্বনি হায়বা খঙবা ঙল্লকখিবনি হায়রি।

বাংলাদেশতগী ফারিবা মীওই অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা অহুমশুবা ইন্দিয়া রিজার্ভ বট্টালিয়নগী নন কম্মিসন ওফিসর (এন সী ও) শিংগী বেরেকতা দিটেন্সন সেন্টর ওইনা শীজিন্নদুনা থল্লক্লিবনি। মহাক্না পায়রম্বা আধার কার্দ অদুগী নম্বরনা ৯৫২৪-১৫১৯ -২৯৬৭নি। কার্দ অসি মহাক্না পায়রম্বদগী মতৌ করম্না মসিবু মহাক্কী মখূৎতা লৈরল্লিবনো হায়বগী মতাংদা থিজিল্লুবদা লিলোং কৈথেলদা চলাইরকখিবা আধার কার্দ প্রোসেসিং সেন্টর অসিদা হংলুবা মতমদা আধার কার্দ অমবু পুরক্লবদি শেমদোক শাদোকপা য়াগনি অমসুং পুরক্লিবা মীওই অদুগী মচানুপানি হায়রগা শেন্বীরগে হায়রকপদগী বাংলাদেশতগী মীওই অসিগীসু আধার কার্দ অদু শেমদোক শাদোক্তুনা পায়হল্লকখিবনি হায়বা খঙবা ঙল্লকখিবনি হায়রি।

অসিগুম্বা অরানবা থৌওংশিং অসি চথুরম্বগীদমক লিলোং কৈথেলদা লৈরক্লিবা এম/এস মার্সি ত্রাভেল এজেন্সী হায়রিবা আধার কার্দ প্রোসেসিং তৌবগী থবকসু চথুরম্বা দুকান অসি থিংজিনবগা লোয়ননা দুকান অসিদা পীরম্বা লাইসেন্সসু কক্লবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়রগনি হায়নসু দি আই জিগী মায়কৈদগী পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। করিগুম্বা আধার কার্দতা তঙাইফদনা শেমদোক শাদোক্তবা য়াদবা লৈরক্লগসু মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং য়াওরগা শেন্বীয়ু হায়খি।

ঙসি ফাগৎখিবা হাফিজ সলাতুগী মথক্তা লিলোং পুলিসনা আই পি সী সেক্সন ৪০৯, ৪১৭কী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৭০ (১০) ২০২২ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথুখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজম অমসুং লিলোং পি এসকী ওফিসর ইন চার্জ থিংবাইজম ফুলচান্দসু শরুক য়াখি।

**CAS Centre for Advanced Studies** / No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
**ADMISSION OPEN**
**SPECIAL 3 MONTHS REVISION COURSES**
**CLASS XII** (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
**CLASS XI** (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
**CLASS X** (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
Seats are Limited First Come First Served
Special features:
- Special Concession for all Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Vision for toppers in 2023

Classes Commencing from 3rd Nov, 2022
Morning Batch (4.00– 7.00) A.M.
Evening Batch (4.00– 7.00) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction,Imphal. Mayai lambi Road Machin.
HL-B/7880/23/10-22/11